**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 15-02-2026)**

**খেমচান্দ (এল)ঃ** আই.জি.এ.আ (সাউথ) কী মেজর জেনরেল-গৌরব শর্ম্মানা ঙরাং মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দগা উন্নদুনা রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা শান্তি রক্ষাগী ফিভমগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-উন্নবা অদুদা রাজ্য অসিগী শান্তি রক্ষাগী ফিভম নীংথিনা ঙাক্তুনা থমবা, মীয়ামবু অশোয় অঙাম থোকহন্দনবা অমদি শান্তি পুরকবা হোৎনবদা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংগী মরক্তা নাংথিনা মতেং পীহন্নবগী মতাংদা খন্নখি। রাজ্য সরকার অমসুং অসাম রাইফলসকী মরক্তা হেন্না তেংবাং পীনদুনা রাজ্য অসিদা অথুবা মতমদা শান্তি পুরকবগী মতাংদা খন্নখি।

অমরোমদা, এক্স এ.দি.সি. ফোরমগী মীহুৎ কাংবু অমনা ঙরাং মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দগা ঙরাং মহাক্কী ওফিসতা উন্নদুনা রাজ্য অসিগী চীংগী জিলাশিংদা থেংনরিবা অৱাৎ অপাশিংগী মতাংদা পাউদমখ্রে। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম অনিমক্তা থোং মান্ননা চাউখৎপা পুরকবা অমদি শান্তি পুরকবা রাজ্য সরকারগী অচেৎপা ফিরেপ লৈ।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওই তরা ফারে।

পুলিসকী পাউনা হায়-থৌবাল জিলাগী কাইরেনবীখোক মমাং লৈকাই চীংদুমদগী হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা কে.ৱাই.কে.এলগী হকচিনবা মীওইনি হায়বা মীওই অমা ফারে। চুরাচান্দপুর জিলাগী মতিজাং ভিলেজতগী মীয়ামদগী নম হাদুনা শেল খায়বদা চেন্নবনি হায়বা য়ু.কে.এন.এগী মীওই অমা নাইন এম.এমগী পিষ্টোল অমগা লোয়ননা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাখি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী থাংমৈবন্দ মৈস্নাম লৈকাইদগী কে.সি.পি. অপুনবগী মীওই অমা ঙরাং ময়ুমদগী ফারে। পুলিসনা পাউ অসিনা মখা তানা হায়-ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খাবম লমখাই এরিয়াদগী প্রিপাক (প্রো) গী মীওই অমা অদুগা জিলা অসিমক্কী নাপেৎ পল্লি এরিয়াদগী প্রিপাক (প্রো) গী মীওই অমসু ফাখি। মীওই অসিদগী নোংমৈ মরু মঙা য়াওবা পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল অমা, লালহৌলুপ অসিগী ভিজিতিং কার্ড তরাসু ফাগৎপা ঙমখি।

তেংনৌপল জিলাগী ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংগী সনরাইজ গ্রাউন্দ অমসুং গেট নম্বর টুগা লোন্নবা মফম অমদগী পি.এল.এগী নুপী কাডর অনি ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে। লালহৌলুপ অসিমক্কী কাডর অনিসু থৌবাল জিলাগী উখোংশাং ময়াই লৈকাইদগী ঙরাং ফারে।

মরক অসিদা, মোবাইল ফোন হুরানবা, সাইভর ফ্রোডকী থবকশিংদা চেন্নবনি হায়বা নুপী অনি ঙরাং ফারে। অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা চুরাচান্দপুর জিলাগী সিজাং কুকি ভিলেজ অমসুং সনামহি লাইশঙগী লোন্নবা মফম অমদগী কিলোগ্রাম তরারোম লুম্বা আই.ই.দি. ফাগৎলে। হায়রিবা আই.ই.দি. অদু অশোয় অঙাম য়াওদনা পোকখায়হনখ্রে।

মনিপুর পুলিসনা সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মফম অমদগী য়ুঙাং বোট্রল ২৩ অমসুং বিয়ার কেন ৩৫ ফাগৎলে হায়রি।

**লুইঙাইনি (এল)ঃ** নাগাশিংগী মরু মরাং হুনবগী কুম্মৈ-লুই ঙাইনি ঙরাংদগী হৌখ্রে।

তাঙ্খুল নাগালোংনা য়ুম্বু ওইদুনা য়ুনাইতেদ নাগা কাউন্সিলগী মীৎয়েং মখাদা ষ্টেট লেবেল ওর্গনাইজিং কমিতিনা শিন্দুনা উখ্রুল হেদক্বাটরস গ্রাউন্দদা ঙসি পাঙথোক্কদবা থৌরমদা নাগালেন্দগী মুখ্য মন্ত্রি-নৈফিয়ু রিওনা অথোইবা অতিথি ওইগনি অদুগা উপ মুখ্য মন্ত্রি-লোসি দিখোনা গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইগনি।

ঐখোয়গী উখ্রুল পাউমী-সোথিং সিমরেনা হায়-জিলা অদুগী হৌজিক

ওইরিবা ফিভমগী য়েংলগা কুম্মে অসিদা ধর্ম্মগী ওইবা থৌরমশিংতমক পাঙথোক্কনি।

**চান্দেল (এল)ঃ** চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট কোর কমপ্লেক্সতা শাবা লিগেল এদ দিফেন্স কাউন্সিল সিষ্টেমগী অনৌবা শঙলেন অমা মনিপুর হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস-এম. সুন্দরনা ঙরাং শঙ্গারবা মতুংদা মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে।

জষ্টিস এম. সুন্দরনা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা হায়-মীয়ামদা আইনগী ওইবা কান্নবশিং ফংহন্নবা হায়রিবা লিগেল এদ দিফেন্স কাউন্সিল সিষ্টেম অসি হাংদোকপনি। জিলা অসিগী ওইনা কোর্টকী থবক থৌরমশিং হেন্না খুমাং চাউশিন্নবা শেমগৎ শাগৎলিবশিং অসি অথুবা মতমদা লোয়শিনদুনা মীয়ামদা খুৎশিন্ননবা হোৎনরি।

থৌরমদুদা জষ্টিস-অহন্থেম বিমোল, জষ্টিস-অরিবা গুনেশ্বর, চান্দেল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-হেমন্তকুমার, চান্দেল বার এসোসিয়েসনগী লুচিংবশিংসু শরুক য়াখি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-রোড এক্সিদেন্ট ভিক্তিম হোস্পিতালাইজেসন এন্দ এসিয়োর ত্রিটমেন্ট-পি.এম. রাহট স্কিম চৎনরগনি। স্কিম অসিগী মখাদা লম্বীগী এক্সিদেন্টতা শোক্লবা মীওইশিং অদু লুপা লাখ অমা লিশিং ৫০ ফাওবগী কেসলেস ত্রিটমেন্ট তৌবগী খুদোংচাবা পীরি। মসি এক্সিদেন্ট থোকপা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ তরেৎনি ফাওবগী ওইগদবনি।

রোড ত্রান্সপোর্ট অমসুং হায়ৱেজ মন্ত্রালয়না হায়-ৱারেপ অসি সরকারনা লম্বীগী এক্সিদেন্টতা শোক্লবা মতুংদা অনা লায়েংগী লমদা তেংবাং খুদক্তা পীদুনা পুন্সি কন্ননবগী পান্দমদা লৌখৎলকপা খোঙথাং অমনি।

মন্ত্রালয় অসিনা মখা তানা হায়-মোটোর ভেহিকল এক্সিদেন্ট ফন্দগী খুত্থাংদা হোস্পিতালশিংদা রিএম্বরসমেন্ট তৌগনি।

**জয়শঙ্করঃ** মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্করনা হায়রি-ইন্দিয়া-মিদল ইষ্ট-য়ুরোপ ইকোনোমিক কোরিদোর (আই.এম.ই.সি) না কন্নেক্তিভিতি লোজিষ্টিক অমসুং লল্লোন ইতিক্কী লমদা চাউনা মতেং পাংলি।

মুনিস সেক্যুরিতি কনফরেন্সতা ৱা ঙাংলদুনা ডা: জয়শঙ্করনা হায়-ভারত-য়ুরোপ অমসুং মালেমগী অতৈ লৈবাক কয়াদা লৈরিবা থাউগী কম্পানিশিংনা থাউ ফংবা, মসিগী মমল অমসুং খুদোংচাদবা ফিভমশিং য়েংলগা লৈবাকশিং অসিনা মখোয়গী খুদোংচাগদবা য়েংলগা ৱারেপশিং লৌরি।

মহাকা হায়-মালেম অসি মল্টি পোরারিতিরোমদা চংশিল্লি অমদি মসিনা মরম ওইরগা ৱারেপ লৌবা ঙম্বা নীংতম্বা অমদি ওটোনোমস সেন্টর কয়া মশিং হেনগৎলক্লি।

**অমিতঃ** কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হায়রি-পুদুচেরিগী নহাশিংবু ইনর্ফোমেসন টেকোলোজি, দাটা সেন্টর অমসুং আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্স (এ.আই) গুম্বা লমশিংদা থবক ফংহন্নবগী খুদোংচাবা পীনবা সরকারনা অকনবা মীৎয়েং চংলি।

করাইকালদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিনদা শ্রী সাহনা হায়-য়ুনিয়ন টেরিটোরি অদুগী ঙা ফাবা মীওইশিংনা মখোয়গী পোৎথোক মালেমগী কৈথেলদা য়ৌহন্দুনা মখোয়গী শেন্থোক হেনগৎহন্নবা সরকারনা থৌরাং কয়া পায়কৎলি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

খেমচান্দনা লুচিংবা লৈঙাক থা অসিগী ২৩ ফাওবগী মনুংদা চাউথোক্লবা য়াই, অৱাৎপা মিনিস্তরশিং পার্টি অমদি কাংলুপ ফুরুপ য়েংলগা হাপ্লবা য়ারি হায়বা পাউ সনা লৈবাক্তা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি নহারোলগী থৌদাংদনা-অথুবা মতমদা অনৌবা কেবিনেট মিনিস্তরশিং ৱাশক লৌদুনা মনিপুর

লৈঙাক চাউথোক্লবা য়ানা লৈরে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

চুরাচান্দপুরদা চৎতুনা দিপ্যুতি সি.এম. দিখোনা জোমিশিং ৱারী শান্নখ্রে, পোলিটিকেলগী ৱাফম থল্লকখিদে হায়না দিখোনা ফোংদোকখিবা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মোদিনা কংগ্রেস চৈরি, কংগ্রেসনা মোদিগী ইম্ফাল য়ৌনবা ফ্লাইট টিকেট কক্লি হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দগী মন্ত্রি-মন্দল অথুবা মতমদা চাডথোরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈত্রি হায়বা পাউ অমা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। এন.আর.সি. হান্না পাঙথোক্কদবনি হায়না কেম্পেইন ফোর জজ এন্দ ফিয়ার দিলিমিটেসননা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমসু পাউচে অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

কংগ্রেসনা প্রাইম মিনিস্তরদা চৎপীয়ু হায়বগী ফ্লাইট টিকেট ককপীখ্রে হায়বা পাউ অমা পোকফমদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। মনিপুরদা ইং-তপ্পা, চাউখৎপা পুরকবা হোৎনরি হায়না উপ মুখ্য মন্ত্রি-দিখোনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-মারজিং হিল রোপ ৱে প্রোজেক্ট শাবা লোয়শিল্লক্কদৌরে। চহি অসিগী মার্চ থাদা থবক হৌরবা য়ারি হায়বা পাউ অমা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা ইম্ফাল তুরেলগী তোর্বান শেমজিনবগী থবক য়েংশিনখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা-ওক্রম ইবোবীনা এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্টকী চার্জ লৌরগনি। পার্টি অমগীদি এম.এল.এ. ফাওবা কংগ্রেস য়াওহন্দনবা ৱারেপ লৌরম্লে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পি.এম.কে.এস.ৱাই. স্কিমগী লৌমীশিংনা ফংগদবা লুপা ক্রোর ১৮০ হেনবগী শেনফম শায়েন-ঙায়েন তৌরম্লে, হায় কোর্টতা ৱাকৎলগনি হায়বা

পাউ, পাউচে অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মনিপুর মেলদা-এক্স পোলো ক্লবনা চৌরজিৎ পোলো ট্রোফি লৌখ্রে। লমফেলপাৎতা ৱার্ল্ড ক্লাস পোলো গ্রাউন্দ শেমগৎলগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।